# ইমুংগী ব্রাফমদা ব্রা ঙাঙদ্রিঙৈদা কোংগ্রেসকী মতমদা করি তৌখি নিংশিংফম থোকইঃ বিশ্বজিৎ

ইম্ফাল,জুন ১৮(এস এন এস)ঃ

বি জে পিগী ইমুংগী ওইবা ব্রাফমগী মতাংদা ব্রা ঙাঙদ্রিঙৈদা কোংগ্রেসকী মতমদা করি থোকখিবগে হায়বদু কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা নীংশিংফম থোকই। হৌজিক লৈরিবা ব্রাফম অসিদি বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ইমুং মনুংগী ওইবা ব্রাফম অদু সেন্ত্রেলগী লুচিংবশিংদা পাউদম্নবগী ব্রাফমনি হায়না বি জে পি লৈঙাক্কী ব্রাঙাঙলোয় অমসুং আই পি আর অমসুং আর দি পি আরগী মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মহাক্কী সঞ্জেন্থোংদা লৈবা ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা হায়, এম পি সি সিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙম্না বি জে পি মনুংদা ফম মুন্নদুনা লৈরে, মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক তৌদ্রে হায়না মরাল শিরকখিবা ব্রাফম অদু তশেংনা লাইবক থিবনি। লোয়ননা মীখলগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরিঙৈগী মতমদা পব্রার অমসুং ব্রার্ক্স দিপার্টমেন্টনা য়াম্লবা শেনফম কায়থোকখ্রে হায়না লৈঙাক্লা ইনক্কারি চখহনখিবা অসিনা হৌখিবা লোক সভাগী মীখল অদুদা শেলগী অমসুং পাঙ্গলগী মতিক ময়াই শিজিন্নদুনা বি জে পিনা লোক সভা সিট অনীমক কান্নবা হোৎনখি হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা মীখল অদু অমুক হনগদবনি হায়বা অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, কোংগ্রেস পার্টিনা শিরিবা মরাল অদুগা মান্নবা সি পি আইগী মায়কৈদগীসু ইলেক্সন কম্মিসনদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী টিকেটতা মায় পাকখিবা ডা. আর কে রঞ্জনগী মায় পাকপা অদু চৎনহন্দনবা ইলেক্সন কম্মিসন্দা ব্রাকৎখিবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা বি জে পি অমদি পার্টি অসিগী মীরেপশিংনা মীখলদা অরানবা থৌওং চখখিবা লৈতে। শেল অমসুং পাঙ্গলগী মতিক ময়াই শিজিন্নদুনা মীখলদা মায় পাকখিবনি হায়বসি য়ুম্ফম য়াওদনা মরাল শিবনি হায়খি।

হান্না মীখলশিংদা লোক সভাগী সিট অনীমক কোংগ্রেসনা ফংলম্বদগী হন্দক কোংগ্রেস মায়থিখিবা অসিনা মীয়াম্না কোংগ্রেস পার্টিবু য়াদ্রে হায়বা ময়েক শেঙলবনি। কোংগ্রেসনা ফোঙদোক্লিবা ব্রাফম অসিদি লমদম অসিগী মীয়াম্না পীরিবা মেন্দেট অদু ইকাই খুম্নদে হায়বা তাকপনি। মণিপুরগী মীয়াম মপুং ওইনা ভোটরশিংবু শেলনা লৈবা য়াবা অমসুং অহোংবা ভোটর ওইনা উহনবা অমসুং কিহল্লগা চৎপা ভোটর ওইনা উহনবসি লাইবক থিবনি।

কোংগ্রেসকী চুপ্লি পায়রিঙৈগী মতমদা শেল অমসুং পাঙ্গলগী মতিক ময়াই শিজিন্নদুনা লোক সভাগী মীখল মায় পাকখিব্রা হায়বসি হন্দক্কী মীখলগী ফল অসিনা উখোক্লে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদি অসিগুম্বা অরানবা থৌওং অসি ব্রাখলদা ফাওবা খল্লুবা লৈতে হায়খি।

হৌখিবা লোক সভাগী মীখলশিংদা সি পি আইসু কোংগ্রেস পার্টিনা ইন্নরগা চৎমিন্নবগা লোয়ননা ভোট মশীং মরাং কায়না ফংলম্বা অদু হন্দক্কী মীখল অসিদদি মখোয়গী ভোটকী সেয়ার য়াম্না হন্থখ্রে। মণিপুরদা সি পি আইগী মীরেপপু মীয়াম্না য়াদ্রে হায়বসি হন্দক্কী মীখলগী ফলনা তাক্লবনি। দেমোক্রেসিদা মীয়াম্না পীবা ব্রায়েলনা অরোইবনি।

বি জে পিগী ওইনদি পার্টিগী মীরেপনা মায়থিখিবা মতমদা মীয়ামগী ব্রায়েল অদুবু ইকাই খুম্নখি। কোংগ্রেস অমসুং সি পি আইনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু শেল মীহৌবা অমসুং কিগনবা ওইনা মরাল শিবা অসিনা দেমোক্রেসিবু মশক থিহল্লে হায়খি।

পোলিটিকেল মেচ্যুরিতি লৈ হায়না খনলুবা কোংগ্রেসনা য়াম্না মেচ্যুর ওইদবা থৌওং চখবা অসি লাইবক থিবনি। লোয়ননা বি জে পিনা শেল অমসুং পাঙ্গলগী মতিক ময়াই শিজিন্নখি হায়রিবা অসিগী মতিক চাবা প্রমান পুথোকপীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা কোংগ্রেসনা চুপ্লি পায়রিঙৈগী মতমদা কোংগ্রেসকী এম এল এ কনা কনানা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর শিন্দোক্লবা করি করি থবক চখখি হায়বা কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা নীংশিংবা চুমগনি হায়খি।

## পীবা ব্রিয়রগী অহানবা মকোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৮(এস এন এস)ঃ

লমদম অসিগী নাৎকী ওইবা তোঙান তোঙানবা ফিজোল অমদি লৈতেংগী মশক ওইবা ফিজোল মখল কয়া পুথোক্লিবা ইন্সটিট্যুসন পীবা ব্রিয়রগী অহানবা মকোক কুমওনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা পীবা ব্রিয়রগী ওফিসতা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ইন্সটিট্যুসন অসিগী মেনেজিং ডাইরেক্টর থৌদাম ননাও, দিজাইনর থাইলেস নোংমাইথেম, রামেশ্বর থোকচোম, মোদেল কো-ওদিনেটর বুলেট মোইরাংচা অমদি ওফিসিয়েল ফোটোগ্রাফর রোবিন ব্রাঙ্খেমনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা পীবা ব্রিয়রগী দিজাইনর সাইলেস নোংমাইথেমনা ফোঙদোকখবদা-ইন্সটিট্যুসন অসিনা মীওই ১০গী মথক্তা থবক পীবগা লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা ফিশাবী কয়ামরুমদা থবক পীরি।

পীবা ব্রিয়রনা মীয়াম্না পাম্নবা মখলগী অনৌবা দিজাইন তৌদুনা লমদম অসিগী নীংথিজরবা হেন্দলুমসকী পোৎথোকশিংবু য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মণিপুরগী নীংথিজরবা ফিজোল কয়াবু পীবা ব্রিয়রনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা অমদি মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা উৎথোক্তুনা লাক্লি।

## জুন ১৮ থৌরমগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৮(এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী অপুনবা শক্তম থুগাইবা য়ারোই হায়বা কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী থৌদোক্তা থব্রাইনা পোম্থা পিখ্রবা অথৌবা ১৮বু নীংশিংদুনা ঙসি ভোলন্টরী হেল্প য়ুনিট কম্মিটিনা রিমস হোস্পিটাল অমদি ইন্সটিট্যুট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ হেমোতোলোজি এন্দ ব্লদ ট্রান্সফুসনগা পুন্না খুৎশম্নরগা ব্লদ দোনেসন তৌখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ হেমোতোলোজি এন্দ ব্লদ ট্রান্সফুজনগী ওফিসার অমনা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি য়াম্না অর্থ চেনবা থৌরম অমনি। জুন ১৮ গী থৌদোক্তা থব্রাইনা পোম্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবগী উৎপা ওইনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মণিপুরগী হোস্পিটালশিংদা ঈগী অব্রাৎপা য়াম্না লৈ। ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈ-মরাংকায়না লৈরবদি ওপরেসন নচিংবা পাঙথোকপদা য়াম্না খুদোং চাহল্লি। ঈগী ষ্টোক ব্রাৎলবদি মতমচানা ওপরেসন তৌবা ঙমহনদে অমদি ঈ কাপকদৌবা পেটেন্টদা ঈ মতমচানা কাপ্পীদবদগী হেন্না কমপ্লিকেসন থোকহন্নবা ফাওবা য়াওই। বেঙ্ক বেঙ্কদা ঈ মরাং কায়না থম্না ঙম্নবা অসিগুম্বা অসি থোকহনদনবা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প তোয়না তোয়না পাঙথোকপা মথৌ তারি হায়খি।

## সনামহি লাইনিংবু করিসু লৈতনা খনবশিং মশক খঙলসি ঃ এম সি

ইম্ফাল,জুন ১৮ঃ সনামহি লাইনিংবু করিশু লৈতনা খনবশিং মশক খঙলসি হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-মিলিটরি কাউন্সিল, কেসিপি-এমসিগী ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিসিটি সেক্রেটরী লনচেনবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ৮ দা নোংমাইজিং চীংগী নাপোমদা শঙ-হোঙখিবা লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োংনা খুনাইদা অচুম্বা অমসুং অরানবা কয়া মশক তাক্লি। অহানবদা লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োং শঙ-হোংনবা শিল্লি লাংল্লিবশিংনা কৌখিবা অথোইবা মীথুংলেন অনী হায়বদি চীফ মিনিষ্টর অমদি মীওই কাঙলুপ খরনা নিংথৌনি হায়না মিংথোনবা লৈশেম্বা সনাজাওবা কৌবদা লাকখিদে।

সনামহি লাইনিং চৎপা মীয়ামগী পূক্লিংদা অচৌবা থাজবা অমগা লোয়ননা য়াম্না হরাওজবা মীকুপ অমা লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োং শঙ- হোংবা নুমিৎ অসিদা ওইখি। অদুবু মীওই কাঙলুপ খরনা নিংথৌ হায়না মিংথোনবা লৈশেম্বা সনাজাওবা কৌবা মীওই অসিগা চীফ মিনিষ্টরগা অনীনা শরুক য়াখিদবসি সনামহি লাইনিংবু থৌওই উশিক্তবনি হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি মিলিটরি কাউন্সিল (কেসিপি-এমসি) না লৌদবা ঙমদে হায়রি। লূপ অসিনা য়াম্না কুপথনা থিগৎলুবা মতমদদি মীওই অসিনা লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োং শঙ-হোংবগী থৌরম অসিদা শরুক য়াখিদবসি খাগি মচুগী খোঙ্গ্রাও মকক শেৎপা গাউ রকশক (যণ কনবা কাঙবু) না অথিংবা থম্বদগী চৎখিদবনি হায়বা ব্রাফম থোক্লক্লে। চীফ মিনিষ্টরনা লাইয়িংথৌ সনামহি কিয়োং শঙ-হোংবা য়াওদ্রবসু নুমিৎ অসিমক্তদা হিন্দু বৈষ্ণবকী গোবিন্দ টেম্পলদা চঙ্কুনা মীতোপ লুচিংবা রাম মাধব কৌবা অমগা লাই খুরুমিন্নখি হায়না চেরোল অসিনা পল্লি। নাকল অমরোমদনা নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাংদা মীওই খরনা নিংথৌ হায়না কৌবা লৈশেম্বা সনাজাওবসু মীতোপ লুচিংবা প্রহ্লাদ সিংহ পটেলগা লুক খুনমিন্নখি। থৌওং অনীমকসি সনামহি লাইনিংবু করিসু লৈতনা খনবা মখোয়গী লুজদবা ব্রাখল্লোনশিং অদু উখোকচবনি। পামহৈবা হাক্তক্তা শান্তিদাস গোসাই কৌবা হিন্দু টেরোরিষ্ট অমা পুশিল্লক্লগী মতৌ তমদুনা লৈশেম্বা সনাজাওবা কৌবা মীওই অসিনা আরএসএস কৌবা হিন্দু কাঙলুপ অসি মথং মথং...

## ঙমখৈ কনবগী ঈহৌদা থব্রায় কৎখ্রবশিংদা ...

*লমায় ১গী মখা*

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়খ,লমদম অসিদা অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎহৌদ্রগদি লৈবাক অসি তুংদা করি ওইহৌগনি হায়বা ঙমদে। অপুনবগী পাঙ্গলনা লমদম অসিদা শীংনরকপা খুদিংমক থৌনা ফনা থেংনবদা মায় পাকপা ঙমগনি। কুমজা ২০০১গী জুন ১৮গী থৌদোক্তা থব্রায় কৎখ্রবা অথৌবশিংনা উৎখিবা থৌনা অদু ঙসিগী মীরোলসিদসু লৈফম থোকই।

কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নমদুনা লৌশিনখ্রবা মতুং মতম অদুদগী হৌরগা মণিপুরগী চীং অমসুং তম অনীমক্তা তোঙান-তোঙানবা এক্ট,রূল কয়া অমা চৎনহল্লমখ। মসিগী মতুং ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ানা মণিপুর য়াওনা অব্রাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংবু নুংশিবগী মমি অমত্তা উবা ফঙদে। ষ্টেট অসিদা থোকখিবা তোঙান-তোঙানবা থৌদোক-ব্রাথোকশিংনা মসিগী লারবা খুদমনি। অদুনা তুংগী মীরোলনা নুংঙাইনা লৈহৌনবগীদমক ঐখোয় পূনশিনবা য়ান্নমক মথৌ তাই। ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিল্লবা মতমদতা কনানসু ঐখোয়বু লাকচবা ঙম্লোই অমসুং লমদম অসিদা শীংনরকপা খুদিংমক থৌনা ফনা থেংনবা ঙমগনি হায়খি।

লোয়ননা চহী খুদিংগী জুন ১৮গী থৌদোক অসিবু নীংশিংবা ওইনা থৌরম পাঙথোক্লিবা মফম কেক্রুপাৎ অসি মীয়ামগী অপুনবগী মফম অমা ওইরে হায়বসি মীয়াম্না খঙবীয়ু। শেংলবা লাইফমলেন কংলাগী মনুং চন্না লৈরিবা মফম অসিবু লৈঙাক্লা থৌওইবীদনা লৈরি। মফম অসিবু শেমগৎ-শাগৎতুনা মতুং তারকপদা হেন্না মশক থোকপা থৌরম অমা পাঙথোকপা য়ানবা মফম অমা ওইনা লৈঙাক্লা শেমগৎহন্নিংই হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী ভাইস চিয়ারমেন সুনিল করান্না হায়খিবদা,ঙসিগী মীরোলনা জুন ১৮গী থৌরম অসি করিগীদমক পাঙথোক্লিবনো অমসুং পুব্রারী ওইরবা ঈহৌ অদু করিদগী থোকখিবনো হায়বসি মীয়াম্না খঙনরে। মতম অমদা লমদম অসিগী ফুরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা লৈবাক অসি ঙাকমিন্নরকই। অদুবু মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদগী লমদম অসিবু ইন্দিয়ানা থেংখাঙ কয়ারক্তা কায়হনবা হোৎনদুনা লাক্লি। হৌজিক ঐখোয় মশেল অমনা-অমবু হুন্নবগী মতম ওইদ্রে। ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্নহৌদ্রবদি মপানগী শাফুনা হুমদুনা চৎখিনি। মপানগী শাফু অসি ঐখোয়গী অপুনবগী পাঙ্গল নক্তনা থিংবা ঙম্লোই। চহী ২২ মপুং ফারবা পীছ টোল্কক্কী ব্রাখৈরোল পূরক্লগনি হায়না নাগাশিংনা লাউরিবসি অফবা অমনি। অদুবু অব্রাংনোংপোক ষ্টেটশিং দা তাবা নাগা খুদিংমক পূনশিনগনি হায়বসি চৎনবা য়াদবা ব্রাফমনি হায়দুনা মণিপুরনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা শীংনদুনা লাক্লি।

অমুকসু কুমজা ২০০১গী বেঙ্কোক দিক্লারেসনদা ব্রিদাউট টেরিটোরিয়েল লিমিট হায়বা ব্রাহৈ অহুম অসি য়াওরকপদগী মণিপুর মীয়াম্না হৌনবা নাইদনা ঈহৌ হৌখিবগা লোয়ননা এসেমব্লি সেক্রেটরীয়েট মৈ থাবা,অশি-অনা,অশোক-অপন কয়া য়াওখি। মণিপুরগী লমখৈ অমদি অপুনবগী শক্তম ঙাক্তুনা লাক্লি। অথৌবা-অথৌবী ১৮না মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং অপুনবগী শক্তম কন্দুনা লাকখিবা অদুবু ঙসিগী মীরোলনসু মখা তানা কনবা মথৌ তাই।

লমদম অসিগী য়েলহৌমী ফুরুপ,ঙমখৈ অমসুং অপুনবগী শক্তম কন্নবা রেল্লি কয়া চৎখিগদগে অমদি মীওই কয়া থব্রায় থাখিগদগে হায়বসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা ব্রাহং ওইরি। মণিপুরগী লম মচেৎ অমফাওবা মাঙবা য়ারোই। ঙমখৈদা অমসুং অপুনবগী শক্তমদা শীনরকপা খুদিংমক থব্রায় থারবসু থৌনা ফনা থেংনগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা থেংননবা হোৎনবদা ঐখোয় মশেল কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা অত্তা ওইনা অরোইবা ফিরেপ অমা লৌদুনা তংদু-লৈতানা লৈনবা মথৌ তাই। অদুঙৈ জুন ১৮গী থৌদোক্তা থব্রায় কৎখ্রবা অথৌবা-অথৌবী ১৮গী লমন ঙসিসু শীংবা ঙমদ্রি। লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাক্লা থল্লবা মতম অদুদদা অথৌবশিং অসিগী লমন শীংবা শক্কনি।

মরম অদুনা ঐখোয় মশেল খাইবুং-খাইবুং তাবনা তোংজবা অমত্তা লৈরোই। অপুনবা মণিপুর অমগী ব্রাখল্লোন্দা ঐখোয় মশেল কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা অমত্তা ওইনা পুনশিনবা মথৌ হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবী পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবীনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি ইন্দিয়ানা করিসু নুংশিবীদে হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙনরে। ইন্দিয়ানা ইনশিন্দুনা মণিপুর অমসুং এন এস সি এন (আই এম)গা চয়েৎনহল্লগা লমদম অসিবু থুগায়নবা হোৎনবা ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙলে। হৌজিক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা লৈবাক অসিবু মান্নবা খুন্নাইদা পুরক্কনি হায়বদু থবক্তা ওম্থোকপীয়ু। মণিপুর অসি ফুরুপ খুদিংমক্কীনি হায়বসি ইন্দিয়ানা খঙফম থোকই। চীং-তম অনীমক লমদম অসিগী মচা ঙাক্তনি। অদুনা মণিপুরগী চীংমী-তম্মী খুদিংমক্লা ফুরুপ। কাঙলূপকী খেন্নবা থমদনা পুনশিন্নবা হোৎনসি অমসুং মণিপুর কনমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অসি মীশীং য়াম্বা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি। মশাগী সিটিজেনশিংদা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেট তৌরিবা অসি ঐখোয় খুদিংমক্লা মীকপ থোকপা মতম ওইরে। নৎত্রবদি নোংমদি মখোয়গী মখুৎতা লোয়ননা শিখিদুনা মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। অদুনা লমদম অসিগী ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা ইচং থৌনা থেংনমিন্নবা মতম ওইরে হায়না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আইমোল ট্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আর টি অখেল আইমোলনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম)গী কন্সলটেটিভ কম্মিটি মেম্বর আর কে রনেন্দ্রজিৎ,জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন অসাম মণিপুর নাগালেন্দগী প্রসিদেন্ট অমু কামৈ,য়ু সি এমগী কন্সলটেটিভ কম্মিটি মেম্বর ঐচ ইবোতোম্বী খুমন,কুকী ইনপী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট খাইমাং চোংলোই,অমুকোগী এডভাইজর এন সি খুমন,ম্যান্মারদা লাকপা ম্যান্টমো রেখা,বাংলাদেশতগী লাকপা হামোম তনুবাবু,হাওমী রিসার্ছ গীল্ড মণিপুরগী চিয়ারমেন রোবিন সিংহ লাই তাম্বুল,ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস কোর্দিনেসন কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরী সোরোখাইবম বিমোল,সি সি এস কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিংঙোম্বা,পুরুপ কলচরেল ট্রুপস এন্দ লিটরেচর কম্যুনিটিগী প্রসিদেন্ট মোমসোকম বাপুই,হোজাই কৈথেল লাইরেম্বীগী প্রসিদেন্ট শান্তিবাবু ,এম এম দল্লিয়ু ওগী প্রসিদেন্ট অব্দুলা ফুন্দ্রেময়ুম,কোইরেং য়ুঠ ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট রোমিও জাইতে, লীগ ওফ ইন্দিজিনস পীপলস অপ্লিমেন্টগী প্রসিদেন্ট সোমরেন্দ্রো থোকচোম,হেরিকোনগী সেক্রেটরী জেনরেল য়েঙ্খোম সুর্জিৎ,অমকিলগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ সক্ষি লৈমা,কোম য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল কাইকম কোম অমসুং কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ব্রাইলৈরিক লৈমসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# নিংথৌঃ পোলিটিকেল ইশুদা কান্নবা থিবগী মহুৎ লৈবাক্কী ইশুদা মায় ওনশিনহন্নিংই

ইম্ফাল,জুন ১৮(এস এন এস)ঃ

ইরমদম অসিদা চেঙ তাংবগী ব্রাথোক, ওভড্রাফট তাদুনা লৈবাক্কী ইশু লৈরিবশিং অসি লৈঙাকলিবশিংনা নাথেদুনা পোলিটিকেল ইশুদা কান্নবা থিবা অমদি ফম মুন্নবগী মওংদা লৈথোক্লিবা অসি লৈবাক্কী ওইরিবা ইশুশিং অসিদা মায় ওনশিনহন্নিংই হায়না ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে। য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সি এম) অমদি ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না পুন্না শীন্নদুনা ১৮শুবা পাঙথোকপা দি গ্রেট জুন অপ্রাইজিং, য়ুনিটি দেগী থৌরমদা ঙমখৈগী ঈহৌদা থব্রায় কৎখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা লৈ কৎপা লাকখিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মখাতানা ফোঙদোরকপদা, হিংবদা চঙবা চেঙ অসি কে জি দা লুপা ৫০ য়ৌরক্লিবসি করিগীনো হায়বা মরম থিদোকপীদবা লৌফম লৈরক্তবগীরা ? ফৌথোক য়াম্লক্তবনরা নৎত্রগা ফৌথোক লৈরবসু মপান লমদা থাদোকপগীরা হায়রিবা ব্রাহংশিং অসি হংনিংঙাই ওই। ইরমদম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা চেঙ তাংখৎলকপা লৈবাক মীয়াম্না অব্রাবা তারিবসিগী মরম থিদোকপীনবা মহাক্লা হায়খি।

চাকখাওগী অব্রাবা লাক্লগনি মীওইবনা শিবা কিরক্তে। লৈবাক্কী অসিগুম্বা অচৌবা ঈশুদা মায় ওনশিন্দুনা লৈঙাক্লিবশিংনা তোখাই তাবগী মহুৎ পুনশিন্দুনা মায়োক্নবগী ওন্না-তৈনবদা নাথেদুনা লৈরিবা অসি মীপাইনিঙাইইনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মতম লৈরিঙৈদা লৈঙাকপশিংনা পুনশিন্দুনা লৈবাক্কী ইশুদা মায় ওনশিনহন্নিংই অমদি মতম চুপ্পদা চীংমী-তম্মী অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী অপাম্বসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা পাউমী অমনা হাংলুবগী পাউ-খুম ওইনা লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়রিবা বিল অসি লমদম অসিগী মীওই অমত্তনা পামদে। করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌরগদি য়াম্না নুংশা থিনিঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

বিল অসি করিগুম্বা এক্ট ওল্লক্রবদি মণিপুর মৈ হৌগনি। নোর্থ ইষ্টতা মরু ওইনা মণিপুরগী প্রজা কন্ননবা প্রোভিজন কয়া পায়খৎকনি হায়রবসু হৌজিক ফাওবা মণিপুর পিপলস বিল এসেন্দ তৌদনা লৈরি। করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌরবদি ঐখোয়গী ওইবা চেকশিন থৌরাং অমা নৎত্রগা অমা লৌহৌদবা অসিনা জুন ১৮ গুম্না নৌহৌননা হিষ্টোরি রিপিট তৌরোই হায়নিঙাই লৈতে হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

হায়রিবা বিল অসি পাস তৌরবসু ইরমদম অসি কন্নম্না কনসিগে হায়বদু লৈঙাক্লিবশিংনা পুনশিন্দুনা খন্নবা য়াবা মতম ওইরে অমদি ষ্টেট অসিগী সি এস ও শিংসু পুনশিন্দুনা চেকশিন থৌরাং লৌনবা মহাক্লা হায়খি।

# মণিপুরদা অপঙবা মী লৈতেঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল,জুন ১৮ ঃ

মণিপুরদা অপঙবা মী লৈতে,তৌওইগুম্বসুং ওইজবা ফঙনবা পঙশিন্নবা অমদি মরীল পান্দবদগী অপঙবা শাদুনা লৈবা মীগী মশীংদি য়াম্না লৈ হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কো-ওদিনেটর কিয়োংহন মঙাঙনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী য়াওল লালহৌগী খোঙচৎতা মায়োক্নরিবা ফিভম খূদিংমক্কী পাউখুম পীদুনা মীয়াম অমদি য়াওল লূপ অনীগী মরক্তা ব্রাখল তামিন্নদুনা অব্রাবা কোঙ্গাই খঙমীন্নরগা লাম্হেংমিন্নবা য়ান্নমক মথৌ তাই। পাক্লা শান্নবা নৎত্রগা ফনা-ফনবা উৎনা ব্রাইনা খূম্লগা চৎখিবা ফিভম্না মীয়ামবু ব্রাখল তাহৌদা লালহৌসু খুমাঙ চাওশিলহৌদা কাংখোঙ চাইবা ফিভমসি য়ৌরকখিবনি।

লৈঙাক্লসু মীয়ামগী মচিল মেন্নবা এন এস এ পানশিনবা নৎত্রগা খূৎশেমগী মীহাৎ চৎথবা অদুগা য়াওল লালহৌ লুপশিংনসু মীয়ামবু ব্রাখল তাহনবগী মহুৎতা মীয়ামদা ওনশীন্দুনা চৈ থাঙবা অমদি পামদবা থৌদোকশিং চথবা অদুনা লোইচা ওইরিবা মীয়াম্না ঙসিগী পঙশিন্নবগী তাঙ্কক অসিদা লাকখিবনি। লালহৌবনা বোম্ব থল্লল্লিসিনা শেন খায়নবনি, লৈঙাক শৌগৎতুনা ঙাংলিবসিনা মশাগী ওইজবা ফঙনবনি। অঙম অথৌ ময়াম্না অচুম্বা শাদুনা ঙাংলিবসিদা কয়ামুক য়াম্না ওইদবা য়াওরি হায়বনচিংবশিং মীয়াম খোগোপ্পা খঙদবা নৎতে হায়নসু মখা তারি।

ফিভমসিদা হৌজিক খুন্নাইদা মথৌ তারিবদি অওনবা পাম্বা লাইরিক লাইশু হৈবা ময়াম পূনশিন্দুনা ইচং থৌনা অচুম্বা য়াওল লিক্লম অমদা মীয়ামগী মাংজিল থানা চোঙথোক্তুনা মীয়াম্বু লমজিংবদুনি। খুদুম ওইনা ডা. নরা করিগীদমক ভোট কাদ্রিবনো হায়বসিদা য়েংবা য়াই হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌজিক চেঙ কিলো অমদা লুপা য়াঙ্খে য়ৌরবা মতমসিদা তুমিন্না লৈথোকপগী মহুৎতা কম্যুনিষ্ট ময়াম হৌরগা চেঙ হুরানবা য়ারোই হায়দুনা হুরাল্লিবা চেঙদু চিং থোক্লগা মীয়ামদা য়েম্থোকপদা ডা. নরানা মাঙজিল থাবদগী লৈঙাক্লা ফাদুনা কৈশুমশঙদা লৈরগদি মীয়াম্না শোয়দনা লৈ পরেং হুক্কনি। চিনদা কম্যুনিষ্টনি, মীয়ামগী য়াইফন্নবা খনবনি, মার্ক্সিজমগী লাইরিক য়াম্না ফাবনি হায়বনা চৎনবা য়ারোই, থবক্লা কম্যুনিষ্টনি, মীয়ামগী য়াইফনবা খনবনি অমদি মার্ক্সিষ্টনি হায়বদু উৎলবতদা মীয়াম্না মীয়ামগী অশেংবা লূচিংবনি হায়না ইকাই-খুম্নরক্কনি।

নাকল অমরোমদা ঙসি ইলেক্ট্রোনিক্স মেদিয়াদা চখরিবা খন্ন-নৈন্নবা অসিদা এদিটর কয়া পেনেলিষ্ট ওইনা শরুক য়ারি। এদিটর ময়াম অদুনা লৈঙাক্কী অচুম অরান কয়া মীয়ামগী ব্রাখল লৌশিং ওইনবা ফোঙদোকল্লগনি। অদুম ওইনমক বি জে পিগীবু ওইগেরা নৎত্রগা কোংগ্রেসকীবু ওইগেরা এদভরটাইসমেন্ট অমা লাকপদদি পাল্লিবা লৈঙাক অদু ফগেরা ফরোইরা মথং মথং...

## ওভরদ্রাফটতা...

*লমায় ১গী মখা*

মতমদা বদজেটরি সিল্লিং লিমিট হায়বা অমসু লৈরিবনি। মদুগী ব্রাংমদা শেল কায়থোকপা য়াবা নত্তে হায়খি।

হন্দক থোক্লিবা থৌদোক অসি মীয়াম্না নোক্লগাদবা থৌদোক্লি লোয়ননা সেন্ত্রেল লুচিংবশিং লাক্লগা মখোয়না অশেংবা অমা হায়রগনি।

বি জে পি মনুংদা দেসিদেন্ট হায়বা অমা লৈতে। পার্টি অমদা হৌজিকসু পুন্না লৈমিন্নরি। মশা মশাগী অপাম পামদ ফোঙদোক্লবদুবু দেসিদেন্ট হায়না হায়বীবদি তৌবিগনু। মসিগুম্বা ব্রাফম অসিনা মীয়ামদা হেন্না চমন্নহল্লে হায়খি। মসিনা পার্টিগী মরক্তা লিংজেল মান্নদনবগী মরম অমা ওইহল্লি হায়খি।

মহাক্লা হায়, মহাক বি জে পিগী মিনিষ্টর অমা ওইনা অমসুং পার্টিগী থৌমী অমা ওইনা পার্টি অসিবু মপাঙ্গল কলহনবা অমসুং পার্টি হিংহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা ইথৌনি।

মেদিয়াশিংনা পাউ ফোঙবা মতমদা অচুম্বা পাউ অদু মরিক চুম্না লৌরগা মীয়ামদা অশেংবা পাউদম থমহন্নিংই। ব্রাখলনা শাগৎলগা ইরকপা পাউনা পোলিটিক্স তৌরিবশিংগী মরক্তা চমন্নবা পোকহন্নবগী মচাক ওইহল্লি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা ব্রাফমশিং অসিদা মহাক্লা ব্রাফম অমত্তা ফোঙদোকপগী ওঠোরিতি ওইদে অমসুং সেন্তরগী লুচিংবশিংনা লাক্লগা মদুগী ব্রারোইশিন পুজরক্কনি হায়খি।

## মরি-মখোঙ ...

*লমায় ১গী মখা*

জনুব্রারী ৯,২০১৯দা ওর্ডর থোকপা লৈখ্রে। অসিগুম্বা মরি-মখোঙ শেংদ্রবা কম্পেনিশিংদা ইম্ফালগী স্মার্ট সিটি প্রোজেক্টকী ডিজাইন ডিভলপ অমদি মেনেজ তৌনবা খূৎশন্নরুবা অসিনা প্রোজেক্ট অসিগী মরাইবক নোংদম নাইরক্তবনি। মসিমক্তি মণিপুর মীয়ামগী অপান্ধগী মায়োক্তনি।

প্রোজেক্ট অসি চহী অহুমগী মনুংদা পায়খৎপা লোইনবা পান্দম থম্ননি।

## ইন্দিয়ানা মেসেজ ত্রেস তৌনবা...

*লমায় ১গী মখা*

মালেমগী ওইনা মীওই বিল্লিয়ন ১.৫ না ব্রাটসঅপ শিজিন্নরি মসিগী মনুংদা ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন ২০০না শিজিন্নদুনা ব্রাটসঅপ খ্বাইদগী য়াম্না শিজিন্নবা লৈবাক অমা ওইরবনি হায়না চেরোল অসিদা পাল্লি।

## সিটিজন্সিপ বিল বজেদ সেসনদা...

*লমায় ১গী মখা*

লোয়ননা অমুক হন্না পুথোক্কদৌরি। সিটিজেন্সিপ এমেনদমেন্ট বিল অসি লোক সভানা পাস তৌখ্রবসু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা খোল্লাউ মরক্তা রাজ্য সভাদা পাস তৌবা ঙমখিদবগা লোয়ননা ফেব্রুব্রারী ১৩,২০১৯দা লাপস তৌখিবনি। অদুবু মতম অদুদগী হোম মিনিষ্ট অমিট সাহ য়াওনা বি জে পিগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা বাংলাদেশ,পকিষ্টান অমদি অফগানিস্থানদা ধর্ম্মগী মমিংদা ওৎ-নৈবীরবা হিন্দুশিংবু ইন্দিয়ান সিটিজন ওইহনগদবা বিল অসি অমুক হন্না পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কনি হায়বগী থাজবা পীদুনা লাকখিবনি।

ত্রিপল টল্লাক বিল,কম্পেনি (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৯,মেডিকেল কাউন্সিল বিল,অধার এন্দ ওর্ডর লো এমেন্দমেন্ট বিল,স্পিসিয়েল ইকোনোমিক জোন বিল য়াওনা অতৈ বিল কয়া অমুক হন্না পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লবা পরেং লেদুনা লৈখ্রে।

ইন্টর সেসন পেরিয়দতা চল্লাইখিবা ওর্দিনান্স তরাগী মথক্তা এক্টনা মহুৎশীনগদৌরি। করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্ট অমুক নৌনা ফম্বা হৌবদগী চয়োল তরুক্কী মনুংদা এক্ট ওলহৌদ্রবদি চৎনবা য়ারোইদৌবনা আগষ্ট ১গী মমাঙদা,মনুংদা বিল পুথোক্তুনা পাস তৌহৌদবা য়াদবনি।

হৌখিবা ১৬শুবা লোক সভা অদু ডিজোলভ তৌখিবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীদা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেজদা লৈবা বিল নিফু তরুক লাপসপ তৌখ্রবনি। মখোয়দুগী মনুংদা মরুওইবা বীল খরদি অমুক হিংগৎহল্লবা য়াই।

## লালহৌ চখরিবা এম এল এশিংনা দিফেন্স ...

*লমায় ১গী মখা*

মহাক্লা হায়, দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরদগী ফাইনান্সকী পোর্টফোলিও লৌথোকখিবা অদু নেসনেল প্রসিদেন্টতা পাউ ফংখ্রে। লৈরিবা ফিভম অসিদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী মরাল থোইনা লৈতে হায়না লৌই।

লৈঙাক অসিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ফাইনান্স রাকেস রঞ্জননা ওভরদ্রাফ তাগদৌবগী ফিভম লাকপা মতমদা শেল থুমগী মিনিষ্টর পায়রিবা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা মসিগী পাউ অসি মতমগী পীফম থোকপনি। মদু তৌবা তৌখিদবগী মমি চাউনা তাই।

অদুবু ফাইনান্স মিনিষ্টরনা লৌথোকখিবা অদুনা এন পি পিদা মরাল শিজিনবা মানবা খরা য়াওই, অদুবু মদুমক হেক্তা চুম্লে হায়না লৌবা য়ারোই হায়খি। হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিদগী এন পি পিগী মিনিষ্টর মরি লৌথোক্কনি হায়বসি থাজবা লৈতে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

অমরোমদা এন পি এফকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট অব্রাংবৌ নিউমাইনা হায়,হৌজিক বি জে পিগী মনুংদা লৈরিবা লুচিংবা শিনবগী ব্রাফম অসি পার্টিগী মনুংগী ওইবা ব্রাফমনি। মসিদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ফনবা তৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

লৈঙাক অসি পায়রকপা মতমদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা এন পি এফতা পীখিবা থাজবশিং অদু শোয়দনা থবক্তা ওম্থোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

পার্টিগী ওইনদি মিনিষ্টর পীবদা করিগুম্বা খরদা এদজষ্ট তৌনসি হায়নখিবদি লৈখি হায়খি।



### ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ/শেংদোকচবা

নুংতিগী ফোঙবা পাউ-চেগী ২০১৯ গী জুন তাং ১৫ গী চেফোঙদা " চহী ৫গী অথিংবা থমখ্রবা এম। এস এস এন পাভৈ ফার্মদা পিএমজিএসব্রাইগী লুপা ক্রোর ৭৫ হেনবগী থবক পীথোক্লম্লে" হায়না ফোঙখিবা পাউ অদুগী মতাংদা মখাদা শেংদোকচরি মদুদি –

১। Rural Engineering Department/MSRRDA দা মশাগী Registered Contractor লৈজদে। PMGSY গী Tender দা PWD, Manipur গী Special Class অমসুং 1st Class Contractor, লোয়ননা CPWD, NHAI, Railways অমসুং MES গী Class-I Contractor শিং শরুক য়াবা য়াই। S N Pavei অসি PWD, Manipur গী Special Class Contrator নি। Registering Power লৈতবনা RED/MSRRDA না Contractor শিং Blacklist তৌবা ঙমদে। S N Pavei অসি NHIDCL না debar তৌবগী চে-চাং অমত্তা Officially ফংবসু লৈতে।

২। অদুমকপু Work Oder পীদ্রিঙৈদা Chief Engineer, PWD, Manipur দা S N Pavei অসি PWD, Manipur না Blacklist তৌব্রা হায়না vide letter No. 6/50/2013-MSRRDA(RED)/Complaint/2018/44 dated 21/4/2018 হংজখিবদি লৈ অদুবু পাউখুমদি ফংখিদে।

৩। মরকসিদা Deputy Secretary (Works), Government of Manipur গী letter vide No. 52/10/2017-W dated 10.8.2017 তা Government না S N Pavei Blacklist তৌবা লৈতে হায়না Deputy Secretary (Finance), Government of Manipur দা ইবা চিঠিগী কোপি ফংবদগী S N Pavei দা work award process তৌখিবনি।

৪। PMGSY Phase-XI গী থবক ৪৫৮ গী Sanctioned cost লুপা ক্রোর ২৭৬৫.০০ গী মনুংদা S N Pavei না National level e-tender দা মায় পাক্তুনা ক্রোর ৭৫.০২ গী পেকেজ ৮ এব্রার্দ তৌখি।

৫। Shri S N Pavei হান্নসু PNGSY Phase-V (2006-2007) দগী Phase-X (2014-2015) ফাওবদা থবক ১৯ tender দা মায় পাক্তুনা লুপা ক্রোর ৫৪.৭০ গী থবকসু সুখি।

SL/4952/19

Sd/-
Chief Engineer
RED/MSRRDA, Manipur


## চেঙ-হোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৮(এস এন এস)ঃ

সনা কোনুংগী উত্রা শঙলেন অমদি ব্লুমেন এসোসিয়েসন ফোর সোসিও ইকোনোমিক দিভলপমেন্টগা খূৎশম্নদুনা সনা কোনুং উত্রা শঙলেনদা সনামহি চেঙ-হোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

তৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবানা হায়খি, লাইনিংথৌ সনামহি চেঙ-হোংবগী থৌরম অসি নিংশিংবা থোক্ত্রবা নিংথৌরোল কয়াদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি অমদি থৌরম অসিদা তাইবং মীওইবদা নৎত্তনা থব্রায় পানবা খুদিংমকপু কাংলূপ, লাইনিংগী খেৎনবা লৈতনা পূন্নমক্কী নুংঙাই য়াইফন্নবা থৌনিজবা নুমিৎনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ইরমদম অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক ফুরুপকী অমদি লাইনিংগী খেৎনবা লৈতনা মীয়াম পূন্নমক চাও-খৎমিন্নবা, লিংজেল মান্নবা অমত্তা ওইনা অমদি লমদম অসিদা থেংনরিবা অব্রাবা খূদিংমক কোক্তুনা নুংঙাই য়াইফবা ওইনবা মহাক্লা থৌনিজখি। নাকল অমরোমদা সনামহি চেঙ-হোংবগী ওর্গনাইজিং কম্মিটি ইম্ফালনা শীন্দুনা মপাল কংজৈবুংদা নাৎকী লাইনিং লাইশোন কয়াগা লোয়ননা সনামহি চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী মতাংদা সনামহি চেঙ হোংবা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মেম্বর অমদি লাইনিংথৌ সনামহি সনাপুংগী প্রসিদেন্ট ব্রারেপ্পম নামৈরকপা মচানা হায়, কুমজা খূদিংগী ইঙাগী ১৫ পি পানবা অসি লাইগী মশিন অমা ওইনা সনামহি চেঙ হোংবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্করি।

## ক্বার্টর মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল,জুন ১৮(এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ব্রেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ব্রাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনন‍া কোনবা ব্রাঙ্গোই কৈথেল মনাক্তা লৈবা ব্রাঙ্গোই হায়র সেকেন্দরীগী ওব্রাশিংনা লৈনবা শাবা ক্বার্টর অনী মৈনা চাকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং অহুমরোম তবদা থোকখিবনি। থৌদোক থোকফমদগী ফঙবা পাউদা মৈ অদু ইলেক্ট্রিক সোর্ট সরকুইটতগী ওইরম্বা য়াই হায়রি।